**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 19-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ককচিং জিলাগী মনুং চনবা চীংজাউ আইলেন্দগী সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা য়াল্লবা নোংমৈ মরুশিং ফংলে।

২) মণিপুরগী দি.জি.পি- রাজিভ সিংহনা চুরাচান্দপুর অমদি বিষ্ণুপুর জিলাদা চত্তুনা শান্তি রক্সাগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

অমসুং

৩) সংসদকী নোংজ্ মীফমগী মাংওইননা সরকারনা হয়েং রাজনীতি দল পুমমক্কী মীফম কৌখ্রে।

------

সেক্যুরিতি (এল)ঃ মণিপুরগী চীং অমদি তমগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চখ্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ককচিং জিলাগী মনুং চনবা অরোং নোংমাইখোং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা পুমলেন পাৎকী চীংজাউ আইলেন্দগী জগাদা থিবা হুম্বগী থবক চখ্থবদা নাইন এম.এমগী নোংমৈ মরু লিশিং ১,৪০৬, পোইন্ট থ্রি নোট থ্রিগী নোংমৈ মরু ১২৫ অমদি ব্লেক কাত্রিজেস ৭ ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, ইন্তেলিজেন্স বেজ কোম্বিং ওপরেসন অমসুং কোর্দোন এন্দ ছার্স ওপরেসন চখ্থবদা আইন্না থিংখ্রবা প্রিপাক্কী এক্তিভ কেদর অমা ফারে।

মীওই অদু বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লৈমরাম লমখায়দগী ফাখিবনি। মহাক লৈমরাম মমাং লৈকাইদগীনি হায়রি। মীওই অসি হোস্পিতাল, স্কুল, কলেজ য়াওনা মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়না পুলিসকী পাউনা মখা তারি। মঙোনদগী চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা, মোবাইল ফোন অমা ফংবা ঙমখি।

মণিপুরগী চীং অমদি তমগী তোঙান তোঙানবা মফম ১১১ দা চ্যেক পোইন্ট হাংদোক্তুনা অচৎ অওকশিং য়েংশিনবগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি হায়না পুলিসকী পাউনা মখা তারি। মদুদা চিংনবা মীওই ৬ ৱাহং পাউহং তৌখি। নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেন ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা চীং নীংখায়বদগী মতম খরা লম্বী ফাওনবা য়ারুদ্রবা মতুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু য়াওনা হোৎনবদগী লম্বী ফাওনখিবগা লোয়ননা মাল পুবা গাড়ি ২৫৫ রোম ইম্ফালদা য়ৌহল্লকখ্রে হায়রি।

দিজিপি (এল)ঃ মণিপ্রগী দি.জি.পি- রাজিভ সিংহনা ঙরাং চুরাচান্দপুর অমদি বিষ্ণুপুর জিলাদা চত্তুনা জিলা অনি অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- দি.জি.পিনা জিলা অনি অসিগী ওফিসারশিংগা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শাবগা লোয়ননা মথৌ নিংথিনা তৌনবা পুকিং থৌগৎখি। সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সশিংগী ওফিসারশিং য়াওনা এম.পি.এস প্রোভেসনরস, ও.সিশিং, কম্মান্দো অমদি নুপীগী পুলিস পার্সোনেলশিংগসু উন্নদুনা পুকিং থৌগৎলমখি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাদা দি.জি.পি দিক্স এন্দ কম্মেন্দেসন পীবগী থৌরমসু পাঙথোকখি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী মরক্তা মরী হেন্না ফগৎহনবা অমদি মথৌ নিংথিনা তৌবা ঙম্লগনি।

লম্বী (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোইরেঙ্গৈদগী সেকমাই ফাওবগী লম্বী পরিং হয়েংগী ওইনা চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা লৈরগনি। ইম্ফাল ইষ্ট

দিভিজনগী একজিক্যুতিভ ইঞ্জিনিয়ার পি.দব্লিউ.দিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- লম্বী অসিগী সেকমাই পারোৌ ময়াদা লম্বী তৌখায়দুনা পাইপ কলভর্ট হাপ্পগী থবক চথ্বগদবনা লম্বী অসিদা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা অসি থম্বনি।

মিতিং ঃ সংসদকী নোংজ্ মীফমগী মাংওইননা সরকারনা হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎতা রাজনীতি দল পুমমক্কী মীফম অমা কৌরি। মীফম অদুদা সরকারনা সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম নিংথিনা চথ্বা য়ানবা রাজনীতি দল পুমমক্তা মতেং পাংবীনবা হায়গনি।

সংসদকী নোংজ্ মীফম থা অসিগী ২১ দগী হৌরগা মথং থাগী ২১ ফাওবা চথ্বগনি। মীফম অদুদা মরুওইবা বিল কয়া পুথোক্কুনা খন্নগনি অমসুং পাস তৌগনি।

মোদি বেঙ্গল ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং নোংচুপ বেঙ্গলগী দুর্গাপুরদা লুপা কোতি লিশিং ৫ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরগীনা শঙ্গাখ্রে, খরা অমগীনা উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- শঙ্গারিবা অমসুং উরেপ উয়ুং তল্লিবা প্রোজেক্টশিং অসিনা লমদম অসিগী লম্বী থোংগী ফিভমদা শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎহল্লগনি অমদি গ্যাস শিজিন্নরগা চলাইবা গাড়িশিং হেন্না পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা শেনমিৎলোনদসু ফগৎহল্লগনি। শ্রী মোদিনা হায়- প্রোজেক্টশিং অসিনা ষ্টিল সিতি অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। বন্দে ভারত রেলগাড়ি খ্বাইদগী মশিং য়ামা চেনবা রাজ্যশিংগী মনুংদা নোংচুপ বেঙ্গল অসিসু অমনি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা শিংথাখি।

নোংচুপ বেঙ্গল খোঙচৎকী মমাংদা প্রধান মন্ত্রিনা বিহারগী মোতিহারি জিলাদা পাঙথোকপা থৌরমদা লুপা কোতি লিশিং ৭,২০০ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরগীনা শঙ্গাখি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমখি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা রেল, রোড, রুরেল দিভলপমেন্ট, ফিসরিজ,

ইলেক্ট্রোনিক্স অমদি ইনফোর্মেসন টেকোলোজি সেক্তরনচিংবা য়াওরি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- বিহারদা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খুমাং য়াংনা চংশিল্লিবা অসি কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা পুন্না হোৎনমিন্নবদগীনি। য়ু.পি.এ সরকারগী চহি তরাগী মতমদা বিহারগী চাওখৎ থৌরাংগীদমক থাদরম্বা শেনফমদগী অহেনবা চাংদা হৌখিবা চহি ১০ অসিদা এন.দি.এ সরকারনা রাজ্য অসিদা পীরে। শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক অসিগী নহাশিংদা থবক পীনবগীদমক কেন্দ্রনা লুপা কোতি লাখ অমা হেন্না চাদিং তৌগদৌরি। পি.এম. অৱাস য়োজনাগী মখাদা হৌখিবা চহি ১১ অসিদা লৈবাক অসিগী লাইরবা মীওইশিংগীদমক য়ুম কোতি ৪ হেন্না শাখ্রে হায়নসু শ্রী মোতিদনা মখা তাখি।

বিরলা ঃ  লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা সাউথ কোরিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমদুনা ভারতনা তেরোরিজমগী মায়োক্তা চপ চানা লেপ্লি হায়বদু খঙহনখ্রে।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা মীফম অমদা সাউথ কোরিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী মীহুৎশিং অদু লৈবাক অদুগী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি কিম বু কিয়ুমনা লুচিংখি। শ্রী বিরলানা হায়- তেরোরিজমগী মায়োক্তা চপ চানা লেপবগী খোঙথাং অসি লৈবাক অসিগী মতিং লৈবা লৈঙাক অমদি মতিক চারবা লোইশঙ কয়াগী মতেংনা মায় পাকা চংশিনবা ঙম্বনি। তেরোরিজমগী মায়োক্তা চংশিল্লিবা খোঙথাং অসিদা সাউথ কোরিয়ানসু লেপ্পা লৈতনা ভারতপু শৌগৎকনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু শ্রী বিরলানা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, পহলগামগী তেরোরিষ্ট এটেক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকপগীদমক শ্রী বিরলানা সাউথ কোরিয়াবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি অমদি অহমেদবাদতা প্লেন কায়খিবা অদুগীদমক কোরিয়ান নেসনেল এসেমব্লিনা অৱাবা ফোংদোরকপা অদুগীদমক্তসু তৌবীমল খঙবা উৎখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন অসি অসামদা ফোরেষ্টকী এরিয়া য়াওনা লম খোপচিনবশিংগী মথক্তা উকায় তকথবা হৌরে, লাপখ্রবা মণিপুরদগী ফাওবা লাক্কুনা অসামদা লম খোপচিল্লরে, দিষ্টিক্ট কম্মিসনারনা মখোয়বু ময়ুমদা হলহনখ্রগনি হায়বা হিমন্তা বিশ্বা শর্ম্মনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসি ফোংবা থেংনরে।

পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। নারোনদা চংশিল্লকপশিংদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মীৎয়েং, ইন্দিয়ান লোগী মখাদা থবক লৌখৎকনি হায়বা হেদলাইন অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

কামজোংগী মীয়ামগী অপান্বশিং থবক্তা ওন্থোকবা গভর্নরনা থাজবা পীখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইননি।

পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদনা গভর্নরনা কামজোংদা চত্তুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পায়খৎপা থবকশিং রিভিউ তৌখ্রে, দিষ্ট্রিক্ট ওফিসিয়েলশিংনা মায়োকবা খুদোংচাদবশিং গভর্নরদা পাউদমখ্রে। কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী সি.এস.ওশিংনা মেমোরেন্দমশিং পীশিল্লকখ্রে হায়না হেদলাইন পীরি।

পাউ অসি মণিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

হিংশা থাদোকপা হায়বা হিরমদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা মীফম কুকি সি.এস.ওগী মরক্তা মান্নদবা ৱাখল্লোন লৈবদগী মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরে।

তমেংলোংগী মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং য়েংশিনবীয়ু অমদি জরমন রোড শেন্বা য়ারোই হায়না মীয়ামগী খোঙচৎ চৎখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইননি।

পাউ অসি গানফিউ মেলদনা তমেংলোংগী সি.এস.ওশিংনা গভর্নরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে, চেং চাক, অনা লায়েং অমদি ইলেক্ট্রিসিতিগী ওইবা

অৱাৎ অপাশিং নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা য়েংশিনগদবনি হায়না মতম থাখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি।

পাউ অসি তমেংলোং টাইমতসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং মরমদা হলহনখো হায়বা কেম্পেন চখুরগনি হায়না এম.টি.য়ুনা থল্লকখিবা ৱাফম পোকফমগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সনালৈবাক পাউচেদনা অনিরক থোকা সেন্সস পাঙথোকবা এম.ঐচ.এগী ওর্দর য়াবা ঙমলোই, ষ্টেটসিদগী ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট খন্দোক্লবা মতুং সেন্সস পাঙথোক্কদবনি হায়না জে.এফ.দিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

নাগা টোঙ্ককা মরী লৈননা লাকখিবা সেন্তরগী ইন্তরলোক্যুতর এ.কে. মিশ্রাগী খোঙচৎকী কান্নবা লৈতে হায়না রাইজিং পিপলস পার্তিনা নুংঙাইতবা ফোংদোকখ্রে হায়বা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাহননি।

------